# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সংসদতা জন বিশ্বাস (এমেন্দমেন্ট ওফ প্রোভিজন্স) বিল ২০২৬ পাস তৌখিবদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

২) খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগা শেংলবা নুমিৎ গুদ ফ্রাইডে ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মপুংওইবা মীৎয়েং থমদুনা মীয়ামগী য়াইফনবগী খনবা সরকারগী থৌরাংশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং য়ামমক তঙাইফদে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা সংসদতা জন বিশ্বাস (এমেন্দমেন্ট ওফ প্রোভিজন্স) বিল ২০২৬ পাস তৌখিবদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- বিল অসি পাস তৌখিবা অসিনা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী পুন্সি মহিং অমসুং লল্লোন ঈতিক্কী লমদা চাউনা অওনবা পুরক্লগনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা শিংথানিঙাই ওইনা অহোংবা পুরক্তুনা লৈবাক অসিগী লৈঙাক সাসনদা থাজনবা, ত্রান্সপেরেন্সি অমসুং হেন্না মপুং ফাহনবা ওইহল্লগনি। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিগী থবক থৌরম কয়াদা হেন্না মপুং ফাবা থুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্বা অমসু ওইরগনি। সরকার অসিনা লৈবাক মীয়াম অমসুং ইন্তরপ্রাইজেসশিংবু হেন্না হকচিন্না লৌদুনা ইনোভেসনগী লমদা খুমাং য়াংশিল্লগনি।

সিসিপুর (এল)ঃ   সোসিয়েল ৱেলফ্যার বিভাগনা মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিং ফংহন্নবগী পান্দমদা লৌখৎলকপা খোঙথাংশিংবু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- বিভাগ অসিগী দাইরেক্তরনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা জিলা অদুগী মীয়ামদা বিভাগ অসিগী মরুওইবা স্কিম কয়াগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎখ্রে। চীংগী জিলাশিংদা মতম চানা তঙাইফদবা থৌরাংশিং পায়খৎলি।

ডোক্তর (এল)ঃ   টোকিওদগী দিল্লিদা পাইরকপা এয়ার ইন্দিয়াগী ফ্লাইট অমদা মীওই অমা শ্বোর হোনবা ৱারকপদগী ফ্লাইট অদুদা তোংলকপা রাজ্য অসিগী সেনাপতি জিলাদগী ডোক্তর লোনি লিরিনানা মীওই অদুবু মতেং পাংদুনা কনখিবগীদমক মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অসিগুম্বা শিংথানিঙাই ওইরবা থবক অসিগীদমক রাজ্য অসিনা চাউথোকচবা পোকই।

রোংমৈ (এল)ঃ   মণিপুরগী ফ্রিদম ফাইটর রাণি গাইদিনলিউগী মীংদা শাগদবা ত্রাইবেল ফ্রিদম ফাইটর ওফ ইন্দিয়া ম্যুজিয়ম শাবগী থবক অথুবা মতমদা হৌনবা রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুর অমসুং রোংমৈ নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন্না মুখ্য মন্ত্রিদা আইবা চেরোল পীদুনা তকশিনখ্রে। চেরোল অদুনা হায়- ভারত সরকারনা মন্ত্রালয়গী খুথাংদা চহি মঙাগী মমাংদা ম্যুজিয়ম অসি শানবা শেনফমশিং কাইথোকখ্রবনি। ২০২১ দা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ম্যুজিয়ম অসি শানবা উরেপ উয়ুং তল্লমখি। অদুমকপু হৌজিক ফাওবা ম্যুজিয়ম অসি শাবা হৌদনা লৈরি।

মেসেজ (এল)ঃ   মালেম শিনবা থুংনা পাঙথোক্লিবা খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংগা শেংলবা নুমিৎ গুদ ফ্রাইডে ঙসি মণিপুরদসু পাঙথোকরি। চর্চশিংদা লাইশোল ঈশৈ শকপা, মপুগী মীংখৈ শোনবনচিংবা পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং

ওইবা থৌরম ওইরি। নুমিৎ অসি প্রভু যিশুনা মীওইবা খুনাইগীদমক ক্রোসতা পাং তিংদুনা থৱায় কৎখিবা অদুবু নিংশিংদুনা পাঙথোকপনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লাকপদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা, মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ, মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা য়াওনা লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরি ।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়- মীওইববু পাপতগী কন্নবগীদমক কৎথোকখিবা যিশু খৃষ্টপু পাং তিংদুনা হাৎখিবা অদুবু নিংশিংদুনা গুড ফ্রাইডেগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। নুমিৎ অসিনা শান্তি লৈবা, নুংশি চান্নবা লমদম অমা পুরকপা ওইরসনু।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী পাউজেলদা হায়- নুমিৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা নুংশিবা, কৎথোকপা, ঙাকপী হৈবগী পাউজেল পীরি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয়দা অচুম্বা লম্বীদা চৎনবা, চাওখৎপা অমদি শান্তি লৈবা লমদম অমা পুরকবগী ঈথিল পীবা ওইরসনু।

মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনসু মহাক্কী পাউজেলদা হায়-শেংলবা গুড ফ্রাইডেগী নুমিৎ অসিনা প্রভু যিশুনা কৎথোকখিবা, নুংশিবা, অমনা অমবু ঙাকপীবগী পাউজেল অদু নিংশিংহল্লি। নুমিৎ অসিনা ঐখোয় খুদিংমক্তা তংদু লৈতাবা, শান্তি, অমত্তা ওইবগী লীপুন শাগৎপা ওরসনু।

ৱেদর (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অখাক অরাউ য়াওনা নোং তারবা য়াই। ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী, তমেংলোং, জিরিবাম, নোনে, বিষ্ণুপুর, ককচিং, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা ঙসি নোং চুগনি হায়রি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মপুংওইবা মীৎয়েং থমদুনা মীয়ামগী য়াইফনবগী খনবা সরকারগী থৌরাংশিং অমসুং ৱাখল্লোনশিং য়ামমক তঙাইফদে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মালেমগী অহোংবশিং অসিদা লৈবাক অসিসু অদুমক খুমাং য়াংনা হোংলক্লি।

কর্ম্ম য়োগী সধনা সপ্তা ২০২৬ থৌরমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না লাইথোকহনবা অমসুং মগুন লৈবা পুন্সিদা মীৎয়েং থন্লি।

সাহ্ ঃ থা অসিগী ৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অসাম বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোম্বগী থবক কনখৎলক্লি। সিট ১২৬ লৈবা অসাম বিধান মীখল তাঙ্কক অমখক্তংদা পাঙথোক্কনি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমসুং বি.জে.পিগী লুচিংবা অমিত সাহ্ নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা ঙরাং নুংথিল অসামদা থুংলখ্রে। মহাকা বি.জে.পি অমদি এন.দি.এগী মীরেপশিংগীদমক্তা ভোৎ খোন্লি। নাগাউন জিলাগী কালিয়াবোর বিধান সভা কেন্দ্রদা পাঙথোকখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী সাহ্না হায়- বি.জে.পিনা লৈবাক অসিদা আইন কায়না মীতোপ চংশিল্লকপা থৌওংগী মায়োক্তা লৈ। মহাকা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকার অসিনা হৌখিবা চহি তরা অসিদা রাজ্য অসিবু হেন্না চাওখৎনবগীদমক্তা লুপা কোতি লাখ ১ লিশিং ৭৫ রোম কাইথোকখ্রে।

অমরোমদা, পুদুচেরি বিধান সভাগীদমক মশক নাইরবা ষ্টার কেম্পেন্নর অমসুং তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দল কয়াগী লুচিংবা কয়ানা রোড সো, পাব্লিক মিতিং অমদি আউটরিটচ প্রোগ্রাম কয়াদা শরুক য়াদুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি। ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী ওইনা ওল ইন্দিয়া কংগ্রেস কমিতিগী জেনেরেল সেক্রেতরি অমসুং রাজ্য সভাগী সদস্য মুকুল ৱাসনিকনা ঙরাং পুদুচেরিদা দল অসিগীদমক ভোৎ খোমখি।

বি.জে.পি অমদি এন.দি.এগী চুংশিন্নবা কাংবুনা পুদুচেরিদা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভোৎ খোম্বা লাক্কদৌরিবা অসিগীদমক মপুং ফানা শেম শাবা লোইরে। প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম চেন্নাইদগী লাক্লগা পুদুচেরিদা থুংলবা মতুংদা রোড সো অমদা শরুক য়াগনি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগে অমসুং কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু মথং শিৎনা হয়েং অমসুং থা অসিগী ৬ তা য়ুনিয়ন তেরিতোরি অসিদা লাক্কুনা ভোৎ খোমগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

চীফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা গভর্নরগা উন্নখিবা, গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা বিষ্ণুপুরদা মেমোরিয়েল বিল্ডিং শঙ্গাখিবা অমসুং সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিরেক্তরনা চুরাচান্দপুরদা চৎপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইরি।

মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা দিল্লিদগী হল্লক্লগা ঙরাং লোক ভবনদা গভর্নরগা উন্নখ্রে, হয়েং জিরি চৎকদৌরি। নেসনেল হাইৱেশিংগী সেক্যুরিতিগী ফিভম সি.এমনা য়েংশিনখ্রে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্কী অহানবা হেদলাইন ওইরি। চুরাচান্দপুরদা হিরোইন কে.জি. ৬ গ্রাম ৫৫০ রোম ফারে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিরেক্তরনা চুরাচান্দপুরদা চৎলগা এম.এল.এ ৬ উন্নখ্রে হায়বসিনা পোকফমগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। কুকিনা কাপশিল্লকপনি চিংনবা বোম অনি সেক্যুরিতিনা পোকখায়হনখ্রে হায়না পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

মীতোপশিং খন্দোক্তুনা য়েলহৌমীশিংবু কল্লু হায়বা জষ্ট এন্দ ফেয়ার দিলিমিতেসন (জে.এফ.দি)গী ৱাফম অসিগা লোয়ননা ফেদরেসন ওফ হাওমিনা এন.আর.সি তৌদনা সেন্সস তৌবা য়ারোই হায়বা ৱারোল অসিনা বোক্স আইটেম ওইনা পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গভর্নরনা খ্বাইরাকপম কৃষ্ণগোপাল মেমোরিয়েল বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে হায়না মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক্তা তংদু লৈতাবা অমসুং অপুনবা মণিপুর অমা শাগৎলকপদা নুপীশিংগী থৌদাং চাউই হায়না গভর্নরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা চীফ মিনিষ্টর দিল্লিদগী থোক্লকপগা গভর্নরগা উন্নখ্রে, রিভিউ মিতিং পাঙথোক্তুনা নেসনেল হাইৱেশিংদা অয়েৎ অপন লৈতনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা থবক লৌখৎনবা খন্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দিরেক্তরনা চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা

এম.এল.এশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং অমদি মীয়ামগা উন্নদুনা হকথেংননা চাওখৎ থৌরাংগী ৱারী শান্নখ্রে হায়বসিনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউগী অনিসুবা হেদলাইনদনা চীফ মিনিষ্টরনা দিল্লিদগী হল্লকপগা গভর্নর উন্নখ্রে, গভর্নরসু নুমিৎ খরনিগী খোঙচৎতা ঙসি দিল্লি চৎলগনি হায়না ফোংলি।

বোসেমনা ক্বালিতি য়াওদবা চেদা লাইরিক নম্বগী মায়োক্তা দেসামনা বোসেমগী ওফিসতা খোঙজং চংশিনখ্রে হায়না গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা রানি গাইদিনলিউগী পোকফম লমদমদা শাগদবা ফ্রিদম ফাইটর ম্যুজিয়ম অথুবা মতমদা শাবা হৌননবা রোংমৈ সি.এস.ওশিংনা চীফ মিনিষ্টরদা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা মরুওইবা পাউ ওইরি।

------